## লায়েংবদা ফরবা পেসেন্ট ৩২৮ দিসচার্জ তৌখ্রে

বৈজিং, ফেব্রুৱারি ০২ (এজেন্সি) :
হৌজিক ফাওবদা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী পেসেন্ট ৩২৮ লায়েংবদা ফরকপদগী হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়না চাইনিজ হেল্থ ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।
নেসনল হেল্থ কম্মিসনগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, হুবৈগী পেসেন্ট ৪১ য়াওনা থাংজ নুমিত্তা পুন্না মীওই ৮৫ হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখি।

## চর্চতা মীওই ২ কাপ্পুনা হাৎখ্রে

ময়ামি, ফেব্রুৱারি ০২ (এজেন্সি) :
ফ্লোরিদাগী রিভিয়ারা বিচতা লৈবা ভিক্তরি সিটি চর্চতা থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই অনী শিখ্রে হায়না এজেন্সিগী পাউনা হায়রি। থৌদোক অদু চর্চ অদুদা লৈখিদবা মীওই অমগী অরোয়বা মথৌ-মঙম পাঙথোকপগী থৌরম অমগী মতুংদা থোকখিবনি। নুপা অমগা চহী ১৫ গী নুপামচা অমগা থৌদোক থোকফমদা শিখি।

## চাইনাগী ৱাংমদা অহানবা ওইনা ফিলিপিন্সতা কোরোনাভাইরসনা মীওই অমা শিহনখ্রে



মনিলা, ফেব্রুৱারি ০২ (এজেন্সি) :
চাইনাগী ৱাংমদা অহানবা ওইনা ফিলিপিন্সতা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মীওই অমা শিখ্রে।
ফিলিপিন্স দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থনা ফোঙদোকখিবদা, অনৌবা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী ইপিসেন্টর ওইরিবা চাইনাগী সেন্ট্রেল প্রোভিন্স হুবৈগী ৱুহান সিটিদগী মশাগী চহী ৪৪ শুরবা মীওই অদু ন্যুমোনিয়া কন্না নারম্লবা মতুংদা মনিলাদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা শিখিবনি। মদু চাইনিজ মেনলেন্দগী মপানগী লৈবাক অমসুং লমদম ২০ হেনবদা থেংনখিবা কোরোনাভাইরস কেস ১৩০ হেনবগী মনুংদা থোরকখিবা অহানবা মী শিবগী থৌদোক্নি।
নুপা অদু ৱুহানদগী লাকখিবা মশাগী ৩৮ শুরবী চাইনিজ নুপী অমগা লোয়নরকখিবা মীওইনি। নুপী অসিনা ফিলিপিন্সতা ভাইরস অসিগী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইবা অহানবা অমসুং অমত্তা ঙাইরবা অতোপ্পা মীশক্নি। পেসেন্ট অনীমক হৌখিবা জন্যুৱারি ২১ দা হোং কোং ফাওরগা ফিলিপিন্সতা থুংলকখিবনি।
চাইনিজ ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর সী সী টি ভিনা লৈবাক অসিগী নেসনল হেল্থ কম্মিসনগী ৱারোল পল্লদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, থাংজ নুমিৎকী অথেংবফাওবদা চাইনাদা লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবা ৩০৪ য়ৌখ্রে।
পনবা য়াবদি, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না লাইচৎ অসিবু শগোলশেল নুমিত্তা মালেমগী ওইনা লুনা লৌনগদবা পব্লিক হেল্থ ইমজেন্সি অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং মালেমগী লম্লোন ইতিক্কী থবক থৌরমশিং অমসুং চৎথোক-চৎশিন্দদি অথিংবা থম্বগী তঙাইফদবা লৈতে হায়নসু দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকখিবনি।
ফিলিপিন্সনা চাইনাদগী লাকপা ফোরেনর পুম্নমক য়াওহন্দুনা চৎথোক চৎশিন্দা থম্লকখিবা অথিংবা হেন্না চাওথোকহনখিবনি। হান্নদি লৈবাক অসিনা শুপ্নগী হুবৈ প্রোভিন্সতগী লাকপা ট্রাবেলরশিং খক্তদা অথিংবা থম্লম্বনি।

## নোরদর্ন টঞ্জানিয়াদা চর্চ সর্ভিস মনুংদা ইন্নবা অমসুং নেৎশিন্নবদা মীওই ২০ শিরে



দর এস সলাম, ফেব্রুৱারি ০১ (এজেন্সি) :
টঞ্জানিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা টাউন মোসিগী চর্চ অমগী সর্ভিস মনুংদা থোকখিবা লাই খুরুম্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা ইন্নবা অমসুং নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদু থাংজ নুমিত্তা এরাইজ এন্দ সাইন মিনিষ্ট্রি টঞ্জানিয়াগী মকোক ওইরিবা প্রিচর বোনিফেস মৱামপোসানা লুচিংদুনা মীওই চা কয়ানা শরুক য়াদুনা লাইশোল থৌরম অমা পাঙথোক্লি ঙৈদা থোকখিবনি।
উহৌবা মীওইশিং অমসুং ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না প্রিচর অসিনা লৈমায়দা হৈদোকপা শেংলবা থাউ শোক্লবা চর্চ অদুদা তিল্লিবশিং অদুনা চেনশিন্নবদগী নেৎশিন্নদুনা মী শিবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ২০ শিখি অমসুং অতৈ মীওই ১৬ না শোকখি হায়না মোসি দিষ্ট্রিক্ট দেপ্যুটি কম্মিস্নর কিপি ৱারিয়োবানা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না শিরিবশিং অদুগী মনুংদা ৫ দি অঙাংশিংনি। অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ।

## চাইনাগী হুনান প্রোভিন্সতা লোয়নরিবা য়েনশিংদা বার্দ ফ্লু শন্দোরক্লে



বৈজিং, ফেব্রুৱারি ০২ (এজেন্সি) :
হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩০৪ শিহনখ্রবা খোঙজেল থুংনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী ইপিসেন্টর ওইরিবা হুবৈ প্রোভিন্সকী খাং থংবা বোর্দরগা লোন্নবা হুনান প্রোভিন্সতা শাথিরবা ঐচ৫এন ১ বার্দ ফ্লু য়েনদা শন্দোরক্লে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লি।
য়েন মরক্তা বার্দ ফ্লু শন্দোরক্লিবদু হুনান প্রোভিন্সকী সাওয়াং সিটিগী মনুং চনবা সুৱাংকিং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ফার্ম অমদনি হায়রি।
ফার্ম অদুদা পুন্না য়েন ৭,৮৫০ লৈ অমসুং লায়না অদুনা মরম ওইদুনা য়েন ৪,৫০০ শিখ্রে। বার্দ ফ্লু লায়না শন্দোরকপদগী লোকেল ওথোরিটিশিংনা য়েন ১৭,৮২৮ হাৎখ্রে হায়না চাইনাগী মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রীকলচর এন্দ রুরেল এফ্যেরসকী ৱারোল পল্লদুনা সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্ট পাউচেনা ফোঙদোকখি।
হৌজিক ফাওবগী ওইনা প্রোভিন্স অদুদা মীওইবদা ঐচ৫এন ১ ভাইরসনা শোকহনবগী কেস অমত্তা লৈত্রি। চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা এসিয়ন জাইয়ন্ট অসিদা পুন্না মীওই ১৪,৩৮০ শোকহল্লবা অনৌবা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগী ফিভম লাকশিন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা বার্দ ফ্লুগী লায়না অসিসু শন্দোরক্লিবনি।
কুমজা ১৯৯৬ তা চাইনাদা অহানবা ওইনা দিটেক্ট তৌখিবা ভাইরস অসি য়েনগীদমক্তদি শাথি হায়না লৌনরি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী মতুং ইন্না বার্দ ফ্লু অসি পংনা থোক্কন্দ্রবসু মীদগী মীদা শন্দোকপসু য়াই।
কুমজা ২০০৩ দগী কুমজা ২০১৯ ফাওবদা দব্লিয়ু ঐচ ওনা মালেম পুম্নগী ওইনা মীওইবদা ঐচ৫এন১না শোকহনবগী কনফার্ম তৌবা কেস ৮৬১ রিপোর্ট তৌখিবগী মনুংদা মীওই ৪৫৫ শিখি হায়না সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।
চাইনাদা হৌখিবা চহী ১৬ অসিদা মীওইবদা বার্দ ফ্লুনা নাবগী কেস মীওই ৫৩ লৈখি অমসুং পুন্না মীওই ৩১ শিখি। মখা তানা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না হায়রি মদুদি, অতোপ্পা কোরোনাভাইরস অমা ওইরিবা সার্স নৎত্রগা অনৌবা কোরোনাভাইরস অসিগা চাংদম্নবদা বার্দ ফ্লুগী মোর্টেলিটিগী চাং অসি চাদা ৬০ ওইদুনা ৱাংই হায়না লৌনৈ। সার্সগী মোর্টেলিটি রেট চাদা ১০ নি অমসুং অনৌবা কোরোনাভাইরসকীনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চাদা অনীরোম্নি।

## চাইনাদা কোরোনাভাইরসনা নাবদগী শিবা ৩০৪ য়ৌরে, ইনফেক্সনগী কেস মশিংনা ১৪,৩৮০ য়ৌরে



বৈজিং, ফেব্রুৱারি ০২ (এজেন্সি) :
চাইনাদা শাথিরবা অনৌবা কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মী মশিং ৩০৪ য়ৌখিবগা লোয়নন্না মীওই ১৪,৩৮০ না চাংয়েংদা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা চাইনিজ হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা নেসনল হেল্থ কম্মিসনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, পেসেন্ট ২,১১০ হৌজিক অরুবা ফিভমদা লৈরি অমসুং মীওই ১৯,৫৪৪ না ভাইরস অসিনা শোক্লম্লগনি হায়বগী চিংনবা লৈরে। হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৩২৮ লায়েংবদগী নাবা ফদুনা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।
কম্মিসন্না হায়, অনাবা মীওইশিংগা নকশিন্নবা মীওই ১৬৩,৮৪৪গী খোঙ্গুল লিরে। মখোয়গী মনুংদা থাংজ নুমিত্তা মীওই ৮০৪৪ দিসচার্জ তৌখ্রে অমদি অতৈ ৩৭৩,৫৯৪ মেদিকেল ওবজার্ভেসন তৌদুনা থম্লি। ফিলিপিন্সতা অহানবা ওইনা নোবেল কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা মীওই অমা শিবগী রিপোর্ট ফোংনখি। মদুনা চাইনাগী ৱাংমদা ভাইরস অসিনা মী শিহনবগী অহানবা কেস ওইরি।
ফিলিপিন্সকী হেল্থ সেক্রেটরি ফ্রান্সিস্কো দুকিনা মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা, জন্যুৱারী ২১ দা হোং কোং ফাওরগা ফিলিপিন্সতা থুংখিবা মশক মমিং খঙদবা মীওই অদু থাংজ নুমিত্তা শিখিবনি। মহাক্না ফিলিপিন্সতা অনীশুবা কনফার্ম তৌবা কেসনি। ভিক্তিম অসি লাইহৌ, লোক খুবা অমসুং খনাও নাবগী কমপ্লেন্টশিংগা লোয়নন্না জন্যুৱরী ২৫দা হোস্পিটালদা এদমিট তৌখিবনি। পেসেন্ট অসিগী ৱারী ৱাখোংদগী অমদি টেষ্টতগী মহাক ন্যুমোনিয়ানা নারে হায়বসু খঙবা ঙমখিবনি। শিরমদাই নুমিৎ খরনি অদুদা মহাক্কী ফিভম খরা ফগৎলকপা উখি হায়রি।
লাইচৎ অসিবু গ্লোবেল হেল্থ ইমর্জেন্সি অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না ভিক্তিম অদু ফিলিপিন্সতা থুংলদ্রিঙৈগী মমাংদা ইনফেক্সন লৈখিবগী মওং মাল্লি হায়না ফোঙদোকখি। ফিলিপিন্সতা লৈবা দব্লিয়ু ঐচ ওগী মীহুৎ রবিন্দ্র অবেয়াসিংঘেনা মীয়ামদা মীপাইদনা অমদি পুক্নিং ফাথনা লৈনবা আপিল তৌখি।

## ব্রেক্সিট মতুংগী অহানবা নুমিত্তা স্কোটলেন্দদা প্রো-ঈ য়ু প্রোটেষ্ট পাঙথোকখ্রে




ইদিনবার্গ, ফেব্রুৱারি ০২ (এজেন্সি) :
চহী ৪৭ চুপ্পা মেম্বর ওইরক্লবা মতুং য়ু কেনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী ওফিসল ওইনা ৱিথদ্রো তৌখিবা মতুং অহানবা নুমিত্তা স্কোটলেন্দগী কেপিটেল ইদিনবার্গতা প্রো-য়ুরোপ প্রোটেষ্টশিং পাঙথোকখ্রে।
থাংজ নুমিত্তা প্রোটেষ্টরশিংনা মখোয় য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী ৱাফম শৌগত্তুনা ভোট পীখিবা লৈতে হায়না শেংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না মখোয়গী বেনর অমদা 'স্কোটলেন্দনা হৌজিকসু ঈ য়ুবু নুংশিজে' হায়না ইখি।
কুমজা ২০১৬ গী জুনদা পাঙথোকখিবা রেফরেন্দমদা স্কোটিস মীয়াম অপুম্বগী চাদা ৬২ না মখা তানা ঈ য়ুদা লৈবগী ৱাফম শৌগত্তুনা ভোট পীখি। থাংজ নুমিৎকী প্রোটেষ্টশিং অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা অনীশুবা ইন্দিপেন্দেন্স রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্লনবা দিমান্দ তৌখি। ৱেষ্টমিন্সটরনদি মসিবু কন্না য়াদ্রিবনি।
ইশ্যু অসি কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা পব্লিক ভোটতা চাদা ৫৫ না নীংতম্বগী ৱাফম রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়নন্না লৈখায় তাখ্রবনি হায়না য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না ফোঙদোকখি।
অমরোমদা, স্কোটলেন্দগী ফার্ষ্ট মিনিষ্টর নিকোলা ষ্টর্জন্না মহাক্কী অর্গ্যুমেন্টতা ব্রেক্সিটনা মপুং ফানা তোপ তোপ্লবা ফিভম অমা লাকহনখিবগা লোয়নন্না নৌনা ভোট লৌনবা হায়বসি মরম চাই হায়না ফোঙদোকখি।
প্রোটেষ্টরশিং রিজনেল পার্লিয়ামেন্টকী বিল্ডিং মনাক্তা পুনখি। মফম অদুদগী বেগপাইপশিংগী মখোলগা লোয়নন্না প্রো-ইন্দিপেন্দেন্স গ্রুপ ষ্টেন্দঅপ ফোর স্কোটলেন্দগী লুচিংবশিংনা পীবা স্পীচশিংগী মখোল তাবা ফংখি।
মীওই ১০ রোম্না মফমদুগা নক্না বেক্সিট অমসুং বৃটেন্না মনীং তম্বগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী মখোল কয়াসু তাবা ফংখি। স্কোটলেন্দ অসি পুৱারীগী ঙল্লিঙৈগী মতমদগী য়ুরোপকী শরুক অমা ওইদুনা লাকখি হায়না প্রোটেষ্টর অমনা ফোঙদোকখি।

## জপানগী ৱারসিপ ওইল লাইফলাইন পেট্রোল তৌনবা গল্ফ পাংখ্রে



য়োকোসুকা, ফেব্রুৱারি ০২ (এজেন্সি) :
মিদল ইষ্টতা উংখৎনবা ফিভম লৈরিঙৈ চৈরক্তা জপানগী দিসট্রোয়র অমা মালেমগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি অসিগী থাউ অপুম্বা সপ্লাই তৌরিবা সী লেনশিং ঙাক শেন্নবগীদমক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা গল্ফ ওফ ওমান পাংখ্রে।
ঐখোয়গী থাউগী শরুক ১০ থোকপগী ৯ পুরিবা ভেসেলশিং য়াওনা চহী খুদিংগী জপানিজ জহাজ লিশিং কয়া মফমদুগী ঈশিংদা ফাওদোক ফাওজিন তৌই হায়না জপানগী প্রাইম মিনিষ্ট সীঞ্জো অবেনা কেপিটেল টোকিয়োগা নক্কনা লৈবা য়োকোসুকা নেভেল বেজতা ক্রু মেম্বরশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।
লানগী জহাজ অদুনা গল্ফ পাংলমদাইগী থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিং অমসুং মিদল ইষ্টকী রিপ্রজেন্টেটিভ অমদি ফেমিলি মেম্বর ৫০০ না শরুক য়াখি। জপান্না খুদোংথিবা ফিভম নংবা য়াবা জহাজশিং ঙাক শেন্নবা ফোর্সশিং থৌরাং তৌনবা শেম শারে হায়না অবেগী গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবনি।
জপানগী লান মতুংগী কন্সটিট্যুসন্না মালেমগী ওইবা য়েৎনবগী থৌদোকশিংদা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নবদা অথিংবা থম্বা মরম্না ৱারেপ অসিমক ৱাথোক ওইনিংঙাইনি হায়না লৌনরি। মতুং তারকপা মেরিটাইম পেট্রোল প্লেন অনীসু য়াওশিনগদৌরিবা দিষ্ট্রোয়র তাকানামি জপানগী মীচং য়ু এসনা লুচিংবা নেভেল ফোর্স অমদা নৎত্রগা লমদম অদুদা লৈরিবা অতৈ নেভেল কোলিসনশিংদা য়াওশিনবদি তৌরোই।
ইরাং কল্লবা লমদম অদুগী য়েৎনবা কয়া ৱাতেন্নবা হোৎনরিবা টোকিয়োনা নেভেল কোলিসনশিংদা য়াওশিনবগী মহুত্তা মনীং তম্না ওপরেট তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি। জপান্না ইরান অমসুং লমদম অদুগী অতৈ লৈবাক কয়াগা মরুপ-মপাংগী মরী থম্নরিবনি। অবেনা হৌখিবা জন্যুৱারিদা লমদম অদুগী লৈবাক কয়াদা ভিজিট তৌখি।

## পলেষ্টিনিয়নশিংনা ইজরেল অমদি য়ু এসকা মরী তৎনখ্রে




কাইরো, ফেব্রুৱারি ০২ (এজেন্সি) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা পুথোকখিবা মিদল ইষ্ট পিছ প্লান অমা রিজেক্ট তৌখ্রবা মতুংদা পলিষ্টিনিয়ন ওথোরিটিনা সিক্যুরিটিগী ওইবা য়াওনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইজরেলগা লৈনবা মরী পুম্নমক থদৎখ্রে হায়না পলিষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মহমৌদ অবাসনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
ট্রম্পগী থৌরাং অদুবু কন্না য়ানিংদবা উৎলিবা পলিষ্টিনিয়নশিংবু শৌগৎলিবা অরাব লিগতা ৱা ঙাঙনবগীদমক প্রসিদেন্ট অবাস কাইরোদা লৈরিবনি। ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা শৌগৎখিবা ব্লুপ্রিন্ট অদুদা ওক্যুপাইদ টেরিটরিদা শাজিল্লিবা জ্যুৱিস সেট্টলমেন্টশিং য়াওদনা অমসুং মপুং ফাবনি হায়না লৌবা য়াবা ইজরেলগী সিক্যুরিটি কন্ট্রোল মখাদা দিমিলিটরাইজ পলিষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা শেন্নগী ৱাফম অমা য়াওরিবনি। ঐখোয়না ইজরেলিশিংগী মায়কৈদা সিক্যুরিটিগী মরীশিং য়াওনা মখোয়গা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মরী অমত্তা থম্নররোই হায়না খঙহনখ্রে হায়না অবাসনা নোংমগী ওইবা ইমর্জেন্সি মীফম অদুদা ফোঙদোকখি। ট্রম্পগী থৌরাং অদু খন্ননবগীদমক্তা কাইরোগী মীফম অদু কৌখিবনি। মহাক্কী ৱাফম অসিগী মতাংদা ইজরেলি ওফিসলশিংনা খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।
পলিষ্টিনিয়ন কন্ট্রোলগী মখাদা লৈবা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী মফমশিং ঙাক শেনবগী থবক্তা মতম শাংনা ইজরেল অমসুং পলিষ্টিনিয়ন ওথোরিটিগী ফোর্সশিংনা কোওপরেসন পীনদুনা লাকখি। পি এগা সী আই এগা ইন্টেলিজেন্স কোওপরেসনগী এগ্রীমেন্টশিংগসু লৈনৈ। কুমজা ২০১৭ দা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না পায়খৎলিবা লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবগী থবকশিং পলিষ্টিনিয়নশিংনা বোইকোট তৌবা হৌখিবা মতুংদসু মখা তানা সী আই এগা য়ান্নবা ইন্টলিজেন্স কোওপরেসন এগ্রীমেন্টশিং কায়হনবা লৈখিদে। ট্রম্পনা ফোন্দা প্লান অদুগী মরমদা খন্নসি হায়রকপদসু মহাক্না য়াখিদ্রে হায়নসু অবাসনা ফোঙদোকখি।

## অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর হাপখিবদগী ইরাক্কি ক্লারিক সর্দরনা খোঙলোয়শিংদা প্রোটেষ্টশিং লেপহন্নবা আপিল তৌখ্রে



বাঘদাদ, ফেব্রুৱারি ০২ (এজেন্সি) :
থা কয়া চুপ্পা মীয়াম্না ফমজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌরিঙৈ মনুংদা থিংখিবা লম্বীশিং হাংদোকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু মতেং পাংনবা ইরাক্কি ক্লারিক মোক্তাদার অল-সর্দরনা নোংমাইজিং নুমিৎতা মহাক্কী খোঙলোয়শিংদা আপিল তৌখ্রে।
লৈবাক অদুদা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা হাপখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না মহৌশাগী ওইবা পুন্সিদা হঞ্জিন্নবা মহাক্না আপিল তৌখিবনি।
লৈবাক অদুগী ইনৌ নৌবা ইরাং অদুদা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিং নৎত্রগা ইরান্না শৌগৎপা প্রোটেষ্টরশিংনা য়াদবা পোলিটিকেল গ্রুপশিং শৌগত্তুনা লাকখিবা সর্দরনা ব্লু হেটস হায়না খঙনবা খুৎলায় পায়দবা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা ওথোরিটিশিংগা খুৎশম্নরগা স্কুলশিং অমসুং বিজিনেসশিং অমুক হন্না মহৌশাগী ফিভমদা ওপরেট তৌবা য়ানবা হোৎনবদা মায় ওনশিন্নবা তকশিনখি।
ঐহাক্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা লম্বী থিংলিবশিংদু লেপহন্নবা পাউতাক পীরি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনদা মহৈরোয়, ওজাশিং নৎত্রগা অতৈগী ওইরবসু মহৌশাগী থবক্কী মতমদা অয়েৎ-অপন পীরিবশিংবু চৈরাক ফংহন্নবসু খঙহল্লি হায়না ত্বিটরদা ফোংবা ষ্টেটমেন্ট অমদা সর্দরনা ফোঙদোকখি।
এজেন্সিগী রিপোর্টর অমগী মতুং ইন্না মহাক্কী খোঙলোয় খরনা অহিংদা বাঘদাদকী টহির স্কৱারগী প্রোটেষ্ট এরিয়াশিংদা প্রোটেষ্টরশিং লৈহন্দনবা হোৎনবগী থবক্তা মতেং পাংবগী খুদম চাংদমশিং ফংখি। হৌখিবা ওক্তোবরদগী দেমোনষ্ট্রেরশিংনা পায়শিন্দুনা লৈরকখিবা টর্কিস রেষ্টুরেন্ট অমা মী তাকখি অমসুং ব্লু হেটসশিংনা মদুগী মপান্দা ৱাকি-টোকিশিংগা লোয়নন্না গার্দ তাবা উখি।
অমরোমদা মনাক নকপা এরিয়াশিংদা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা মখা তানা ইরাং হৌদুনা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর মোহমদ টৌফিক অলাৱিগী মায়োক্তসু খোল্লাও কয়া লাউখি।